

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*মমাঙদা উরুগ্বেগী ফুটবোল টিমদা ইন্টরনেসনেল মেটচ কয়া শান্নরম্লবা মতুং নৌনা কোষ্টা রিকা ফুটবোল টিমগী কোচ ওইখ্রবা মশাগী চহী ৫১শুরবা গুষ্টাভো মাটোসাস*

*চাইনাগী সিটি টিয়ানজিনদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ টিয়ানজিন ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রবা চাইনিজ তাইপৈগী এস দব্লিয়ু সৈ*

## য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী হোক্কিদা ইন্দিয়ানা ভানুৱাটুবু ১৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, অরচনা কমথ টেবল টেন্নিসকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী হোক্কিদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা

*ব্যুনিয়স এয়রস, ওক্টোবর ১০ঃ*

আর্জেন্টিনানা য়ুম্ব ওইদুনা ব্যুনিয়স এয়রসদা চথরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক্সকী নুপীগী হোক্কিদা ইন্দিয়ানা ভানুৱাটুবু ১৬–০ দা মায়থিবা পীখ্রে অদুগা অরচনা কমথনা টেবল টেন্নিসতা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা নুপীগী হোক্কিদা ইন্দিয়াগী ফোরৱার্দ মমতাজ খাননা পাঞ্জল ৪ অমসুং চেতনাগী পাঞ্জল ৩ না ইন্দিয়াগী অপুনবা পাঞ্জল ১৬ অদু য়ৌহনবদা য়াম্না চাওবা মতেং পাঙখি।

মেটচ অসিগী অনীশুবা মিনটতা ষ্ট্রাইকর লালরেমসিয়ামীনা ইন্দিয়াগী একাউন্ট হাংদোকপা ঙমখি। মদুগী মতুং সেকেন্দ ৩০ লৈরগা রিটনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। পাঞ্জল অসিগা হেক থংনবা মিনটতা ইন্দিয়াগী স্কিপ্পর সলিমা টেটেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা বলজিৎ কোরনা ৫শুবা মিনটতা থংন–থংননা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ৫ শুহনখি। মেটচ অদুদা পাঞ্জল অহুম চনখিবা চেতনাগী অহানবা পাঞ্জল শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা চনখি। মিনট অমা লাম্ন্থোক্লিঙৈদা মহাক্না ইন্দিয়াগী পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদা মমতাজ অমসুং লালরেমসিয়ামীনা পাঞ্জল অমমম হাপচিন্দুনা ইন্দিয়াগী পাঞ্জল ৯–০ দা থম্বা ঙমখি।

অহানবা পেরদ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল ৯–০ দা মাঙজিল থারিবা ইন্দিয়াগী টিম্না অনীশুবা পেরদতসু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবদা থোইনা অৱাবা ওইখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা পাঞ্জল ৭ অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ১৬–০ দা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

অমরোমদা নুপাগী হোক্কিদা ইন্দিয়ানা কেনিয়াবু ৭–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী চিরমাকো সুদিপ অমসুং মোইরাংথেম রবিচন্দ্রনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

পাঞ্জল অনী শোথদুনা লৈরিবা কেনিয়াগী টিম্না চেকশিন্না শান্নরকপদগী শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা ওলান্দো ওমানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা অকনবা প্রেসরদা শান্নরকপদগী পাঞ্জল ৫ হাপচিন্দুনা মেটচ অদু ৭–১ দা মায় পাকহনখি।

ইন্দিয়াগী মখা তাবা পাঞ্জলশিং অদু ভিভেক প্রসাদ (৮), সুদিপ চিরমাকো (১০), মোইরাংথেম রবিচন্দ্র (১১), সঞ্জয় (১৪) অমসুং রাহুল রাজভর (১৭)শুবা মিনটতা চনখিবনি।

আর্জেন্টিনানা য়ুম্ব ওইদুনা চথরিবা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা টেবল টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী পেদ্দলর অরচনা গিরিস কমথনা অজরবাইজানগী নিং জিংবু ৪–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

গেম ৭ শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী অরচনা কমথনা নিং জিংবু ১৩–১১ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা গেম অজরবাইজানগী নিং জিংগী মখূত্তা মথংশিংনা ৮–১১ অমসুং ৬–১১ দা মায়থিখি।

মরিশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী অরচনানা ১১–৩ দা থোইদুনা গেম ২–২ মান্নখি। ৫শুবা গেমদা ইন্দিয়াগী অরচনা অজরবাইজানগী শান্নরোই নিং জিংগী মখূত্তা ৬–১১ দা মায়থিখি।

অদুবু ৬শুবা অমসুং ৭ গেম অদু ইন্দিয়াগী অরচনা কমথনা নিং জিংবু ১২–১০, ১১–৭ দা থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকপদগী সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

## চাইনাগা শান্নগদবা ইন্দিয়া টিমগী স্কৱাদ লাওথোকখ্রে, হেদ কোচ কোনষ্টেনটাইনদি শান্নগদৌরিবা মেটচকী শেম–শাবগী মতাংদা পেনদ্রে



চাইনাগা শান্নগদবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী শান্নরোইশিংনা কোচকা লোয়ননা ত্রেনিং চথবা

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১০ঃ*

ইন্দিয়াগী ইন্টরনেস্নেল মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৩দা চাইনাগী সিটি সুজৌদা শান্নগদবা মেটচকি স্কৱাদতা য়াওরিবা শান্নরোইশিংগী মমিংশিং হেদ কোচ কোনষ্টেনটাইননা লাওথোকখ্রে। অদুবু কোচ কোনষ্টেনটাইন্নদি শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগী শেম শাবগী মতাংদা পেনদ্রে।

ইন্দিয়া টিমগী ষ্টাইকর বলৱন্ট সিংহ মহাক্কি পাসপোর্ট মতম লোইখিবনা চাইনিজ ভিসা ফংদবদগী শান্নবা য়াওরোইদৌরি। ইন্দিয়া টিমগী স্কৱাদ অসিদা য়াওরিবা শান্নরোইশিংদি গোলকিপ্পরদা গুরপ্রীট সিংহ সনধু, অমরিন্দর সিংহ অমসুং করনজিট সিংহনি।

দিফেন্দরদা প্রিটম কোটাল, সরথাক গোলুই, সনদীপ ঝিনগন, অনস ইদাথোদিকা, সলাম রঞ্জন সিংহ, সুবাসিস বোস অমসুং নারায়ন দাসনি।

মিদফিল্ডরদনা উদান্ট সিংহ, নিখীল পূজারী, প্রোনে হালদার, রোৱললিন বোরগেস, অনীরধ থাপা, ভিনিট রাই, হালিচরন নারজারি অমসুং অসিক কুরুনিয়াননি।

ফোরৱার্দতনা সুনিল ছেত্রি, জেজে লালপেখলুআ, সুমীট পাসসি অমসুং ফারুখ চৌধরিনি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ ১৭ ফাওবগী মনুংদা রেদ দ্রেগোন টিম চাইনানা মেটচ ১২রক মায় পাকখি। লেমহৌবা মেটচ মঙা অদুনা পাঞ্জল মান্নবদগী দ্রো চৎখি। টিম অনীসিনা ইকোন কোনবা ওইনা কুমজা ১৯৯৭দা কোচিদা শান্নখিবা মেটচ চাইনানা পাঞ্জল ২–১দা মায় পাকখি।

চাইনাদা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসিনা দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা ত্রেনিং কেম্প তৌখি।

এ এফ সি এসিয়ান কপ হৌগদবা থা খরদমক ঙাইরবনা ইন্দিয়া টিমনা শেম–শাবা ওইনা চাইনা টুর অসি চৎকদবনি।

চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা শান্নগদৌরিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অহুমগী মনুংদা অহানবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১৩দা শান্নগনি। ইন্দিয়াগী স্কৱাদ অসিদা অন্দর–২৩গী শান্নবা শান্নরোই ১৩ য়াওরি।

চাইনাগা শান্নগদৌরিবা মেটচশিং অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী হেদ কোচ কোনষ্টেনটাইনা ফোঙদোখিবদা ইন্দিয়ান সুপর লীগ চথরিবনা চাইনাগা শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিগীদমক নোংমা–নিনিখক্কি মতম ফংখিবা অসিনা ইন্দিয়াগী টিম মতিক চানা শেম শাবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। অদুবু শান্নরোইশিং অসি মখোয় মখোয়গী ক্লবকি মেটচ অমা অনিদী শান্নরবনিনা নিংথিনা শান্নরক্কনি হায়বগী থাজবদি থম্মী। ইন্দিয়া টিমগী মরুওইবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বলৱন্টশিং স্কৱার্দ অসিদা শরুক য়ারোইদবনা মতাং মতম চারকপা তাঞ্জাদা নহা ওইরিবা শান্নরোইশিং শান্নহন্নবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়রি।

অমরোমদা চাইনাগী টিম কোচ অসি ৱার্ল্ড কপ লৌবা ঙমখিবা ইটলিগী মারসেল্লো লিপ্পিনা ওইরি। মসিগী মথক্তা রেঙ্কিংদা য়েংনবদা চাইনা না ইন্দিয়াদগী রেঙ্ক ২১ হায়গৎলগা লৈবা মফম কন্দুনা লৈরি।

## টোকিয়ো ওলিম্পিক গেমসতা রিফ্যুজি টিম শরুক য়াগনি ঃ আই ও সি

*লাউজেন, ওক্টোবর ১০ঃ*

জাপাননা য়ুম্ব ওইদুনা টোকিয়োদা কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা রিফ্যুজিশিংগী ওইবা অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা শরুক য়াগনি। রিফ্যুজিশিংগী অখন্নবা টিম শেমদুনা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবসি টোকিয়ো ওলিম্পিক অসিগা পারগদি অনীরকশুবা ওইরগনি।

কুমজা ২০১৬তা ব্রাজিলগী রিও দে জেনৈরোদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা অহানবা ওইনা রিফ্যুজি টিম শেমদুনা শরুক য়াখি। রিফ্যুজিশিংগী ওইবা টিম শেমদুনা টোকিয়োদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াহন্নবা ইন্টরনেস্নেল ওলিম্পিক গেমসকী প্রসিদেন্ট থোমাস বেকনা আর্জেটিনাগী ব্যুনোস অয়রসতা পাঙথোকখিবা ওলিম্পক বোর্দি অসিগী সেসনদা পুখৎলকখি। মদুদা মেম্বরশিং য়ানিংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অপেনবসু পোক্লখি।

থোমাস বেকনা ফোঙদোখিবদা রিফ্যুজি এঠলেট ৫০ হেনবনা শেম্বা অখন্নবা টিম অসিগীদমক য়েংদুনা পুল অমা খনদোক্লগা লেপথোকপা লৈরে। গেমস অসিদা রিফ্যুজিশিং শরুক য়াহনগদবা অসি মালেম পুম্বদা লৈরিবা রিফ্যুজি মিলিয়ন ১০হেনবা অসি মশক খঙবা অমসুং ফিভম অসি খঙহন্নবনি। মখোয়দা লৈরিবা হৈথোইশিং–থোইবশিং অদুসু উৎথোকহন্নবনি হায়রি।

*এসিয়ান পেরা গেমস*

## আর্চর হরভিন্দরনা গোল্ড অমা অমসুং ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডদা মেডল অনী ফংখ্রে



*জকার্টা, ওক্টোবর ১০ঃ*

ইন্দোনিসিয়ানা য়ুম্ব ওইদুনা জকার্টাদা চথরিবা এসিয়ান পেরা গেমসতা ইন্দিয়াগী আর্চর হরভিন্দর সিংহনা নুপাগী ইন্দিভিজুয়েল রিকর্ভ ইভেন্টতা গোল্ড লৌখ্রে। অদুগা ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ড এঠলিটশিংনা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল অমমম পুন্না মেডল অহুম ইন্দিয়াগী টেলিদা ঙসি হাপচিনখ্রে।

এসিয়ান পেরা গেমস অসিগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা আর্চরিগী দব্লিয়ু ২/এসটি কেটেগোরিগী ফাইনেল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী হরভিন্দরনা চাইনাগী জাও লিজবু ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা গোল্ড মেডল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

গেমস অসিগী ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী দিস্কস থ্রো এফ১১ কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী মোনু ঘংগাসনা সিলভর মেডল ফংখি। ইভেন্ট অসিদা সিলভর মেডল ফংখিবা ইন্দিয়াগী ঘংগাসনা মহাক্কী অহুমশুবা এটেম্পতা ৩৫.৮৯ মিটর লংখি।

নুপাগী দিস্কস থ্রো এফ১১ কেটেগোরিগী গোল্ড মেডল অদুনা মিটর ৪৩২.৩৭ শান্না লংবা ঙমখিবা ইরানগী পেরা এঠলিট ওলাদ মহদিনা ফংখি।

চথরিবা এসিয়ান পেরা গেমস সিগী এফ৪৬ সোট পুট ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মোহমদ য়াসরনা মিটর ১৪.২২ শান্না লংবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি। কেটেগোরি অসিগী সিলভর মেডলনা মিটর ১৪.৬৬ শান্না লংবা ঙমখিবা কজাখস্টানগী পেরা এঠলিট মাসুরবায়েভনা ফংখি।

অদুগা গোল্ড মেডল অদুনা চাইনাগী পেরা এঠলিট ৱৈ এনলোংনা মিটর ১৫.৬৭ লংদুনা অনৌবা গেমস অসিগী রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা লৌখি।

সোট পুট এফ৪৬ কেটেগোরি অসি অপ্পর লিম্ব, শিংলি–নাওরী অশোনবা অমসুং লেঙথোক–লেঙশিনদা খুদোংচাদবগী অশোনবা লৈবা শান্নরোইশিংগীদমক শেম্বনি।

## ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৫–৪ দা থোইদুনা সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কিদা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে



ইন্দিয়াগী নুপা জুনিয়র হোক্কি শান্নরোইশিংনা মায়োক্নবা টিমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা উৎপা

*জোহোর বাহরু, ওক্টোবর ১০ঃ*

মালেসিয়াগী সিটি জোহোর বারুদা থা অসিগী ৬তগী চথরকপা সুল্টান ওফ জোহোর কপ হোক্কিগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কি টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৫–৪ দা থোইদুনা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ঙসি মালেসিয়াগী সিটি জোহোর বাহরুদা লৈবা টামান দায়া হোক্কি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু হেক হৌবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনদ্রিঙৈদা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী গুরসাহিবজিত সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। ১১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই হরমনজিত সিংহনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচ অদুদা এটেক হেন্না চখদুনা শান্নবা ঙমখিবা ইন্দিয়ানা শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন মন্দিপ মোরনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–০ দা হেল্লবা মতুং মিনট অমা লৈরগা টিমমেট বিষ্ণুকান্ট সিংহনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা ফংদুনা দামোন ষ্টেফেন্সনা শোথখিবা পাঞ্জল ৪গী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৪–১ দা হেন্দুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৩৫শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা দামোন ষ্টেফেন্সনা পাঞ্জল অমসু চনশিনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৪৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সিলান্দ লাক্রানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৫–২ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদা মমাঙদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা দামোন ষ্টেফেন্সনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওন্থোক্লুনা মেটচ অসিদা মহাক্কী হেটট্রিক পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা ৩–৫ দা ইন্দিয়াদগী শোথদুনা লৈখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু দামোন ষ্টেফেন্সনা পাঞ্জল ওন্থোকখ্রবসু মেটচ অদু ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ৫–৪ দা থোইদুনা সুল্টান ওফ জোহোর হোক্কি কপ অসিগী গ্রুপকী মকোক ওইদুনা মেটচ ৪ শান্নবদা মরিমক মায় পাক্লুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা সেমি ফাইনেলয়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা টিম অসিনা মখোয়গী অরোইবা গ্রুপ মেটচ অদু থা অসিগী ১২ দা গ্রেট বৃটেনগা শান্নরগনি।

## জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস সাংহাই রোলেক্স মাষ্টর্সকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে



*সাংহাই, ওক্টোবর ১০ঃ*

চাইনাগী সিটি সাংহাইদা চথরিবা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট রোলেক্স মাষ্টর্সকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্লুনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভ অমসুং সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিস অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

সাংহাই মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা জিওর্জিয়াগী এন বাসিলাসভিলিবু ৭–৫, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ দি মিনোরগা শান্নরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মিনোরনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী বি পাইরেবু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোই সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী জেরেমী চার্দিবু ৬–৩, ৭–৫ দা থোইরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা চাইনাগী অতোপ্পা সিটি টিয়ানজিনদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট টিয়ানজিন ওপনদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী এস দব্লি সৈনা রুশিয়াগী ভি কুদরমেটোভাবু ৬–২, ২–৬, ৬–২ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

৪শুবা সিদেদ শান্নরোই বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা পোলেন্দগী এম লিনেটপু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–১, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ক্রোএসিয়াগী পি মারটিকনা চাইনাগী এফ লিয়ুবু ১–৬, ৬–০, ৬–১ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা স্লোভাকিয়াগী পি হরকোকপু ৬–১, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টিয়ানজিন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী এক্স হান অমসুং ক্রোএসিয়াগী দি জুরাকনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র এদামজেক অমসুং জে মুরগা শান্নরগনি।